

# সনালৈবাক স্পোর্টস



IMPHAL, SATURDAY, APRIL 28, 2018 PAGE 7


*স্পেনগী ফুটবোল ক্লব এটলেটিকো মাদ্রিদতা টিম অদুগী মরুওইবা থৌদাং লৌদুনা পাঞ্জল য়াম্না চনবা ঙমদুনা শান্নরিবা অদুগা মখা তানা টিম অসিদা শান্নবগী য়ানখ্রবা ফ্রান্স মচা এন্টোইন গ্রিজমান*

*স্পেনগী মকোক থোংবা ফুটবোল ক্লব অমা ওইরিবা বার্সেলোনাদা কেপ্টেন ওইদুনা শান্নরম্লবা মতুং সিজন অসি লোইশিল্লকপদা চাইনাগী ফুটবোল ক্লব অমদা শান্নবগী য়ানখ্রবা এন্দ্রেস ইনিয়েষ্টা*

## ইন্দিয়াগী সাইনা অমসুং প্রনোই বেদমিন্টন এসিয়া চেম্পিয়ন্সিপকী সেমি ফাইনেল চঙখ্রে, সিন্ধু অমসুং স্রিকান্থ ক্বার্টর ফাইনেলদা লৈহৌরে

*ৱুহান, এপ্রিল ২৭ঃ*

চাইনাগী সিটি ৱুহানদা চত্থরিবা বেদমিন্টন এসিয়া চেম্পিয়ন্সিপকী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱাল অমসুং ঐচ এস প্রনোই মায় পাক্তুনা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে। ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই পি ভি সিন্ধু অমসুং কিদম্বি স্রিকান্থ ক্বার্টর ফাইনেলদা মায়থিহৌরে।

বেদমিন্টন এসিয়া চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা সিদিং ফংদনা শরুক য়ারকখিবী ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱালনা ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা সাউথ কোরিয়াগী লি জাং মিবু ষ্ট্রেট গেম অনীদা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌখি।



*নুপীগী সিঙ্গলসকী সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রবী ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱাল*

অহানবা গেম সাইনানা ইৱা ৱাদনা ২১–১৫ দা থোইদুনা গেম অমা মাঙজিল থাখি। গেম অমা মাঙজিল থারবা ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱালনা অনীশুবা গেম অদুদা হেন্না ফজরক্তুনা সাউথ কোরিয়াগী লি জাং মিবু ২১–১৩ দা থোইদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌখিবনি।

সাইনা নেহৱালনা বেদমিন্টন এসিয়া চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী সেমি ফাইনেলদা চাইনাগী হি বিংজিয়াওবু য়াম্না কোম্না ষ্ট্রেট গেম অনীদা ২১–১৪, ২১–৯ দা মায়থিবা পীরম্বী টুর্নামেন্ট অসিগী নম্বর ৱান সিদেদ চাইনিজ তাইপৈগী টাই ঝু য়িংগা লম্বা তৌনরগনি।

নুপাগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা সিদিং ফংদনা শরুক য়ারকখিবা ইন্দিয়াগী ঐচ এস প্রনোইনা টুর্নামেন্ট অসিগী ২শুবা সিদেদ সাউথ কোরিয়াগী সোন ৱা হোবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্লদুনা গেম ২–১ দা থোইদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌখি।

অহানবা গেম সাউথ কোরিয়াগী সোন ৱান হোনা প্রনোইবু ২১–১৮ দা থোইদুনা গেম অমা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা অমদি অহুমশুবা গেম অদুদা ইন্দিয়াগী ঐচ এস প্রনোইগী মায়কৈদগী য়াম্না কন্না হোৎনরক্তুনা শান্নরকপদগী ২শুবা সিদেদ সাউথ কোরিয়াগী সোন ৱা হোবু ২৩–২১, ২১–১২ দা থোইদুনা সেমি ফাইনেলদা চাইনাগী চেন লোংগা শান্নরগনি।

নুপাগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা চাইনাগী চেন লোংনা হোং কোংগী শান্নরোই ঙা কা লোং অঙ্গসপু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্লরগা ২২–২৪, ২১–১৫, ২১–১৭ দা থোইদুনা চেন লোং সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

নুপীগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ৱার্ল্ড নম্বর ৩ ওইরিবী ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধু টুর্নামেন্ট অসিগী ৭শুবা সিদেদ সাউথ কোরিয়াগী সুং জি হ্যুনগী মখূত্তা ষ্ট্রেট গেম অনীদা মায়থিহৌবদগী সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমদনা লৈহৌখি।

মেটচ অদুগী অহানবা গেম শান্নরোই অনীমক য়াম্না অকনবা লম্বা মায়োক্লদুনা শান্নরকখি। সাউথ কোরিয়াগী শান্নরোই অদুনা সিন্ধুবু ২১–১৯ দা য়াম্না নক্লবা স্কোরদা থোইদুনা গেম অমা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা গেম অদুদা সাউথ কোরিয়াগী সুং জি হ্যুনগী মায়কৈদগী য়াম্না অকনবা লম্বা পীরক্তুনা শান্নরকপদগী ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধুবু য়াম্না কোম্না ২১–১০ দা থোইদুনা হ্যুন টুর্নামেন্ট অসিগী সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

এসিয়া বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা সিদেদ শান্নরোই ইন্দিয়াগী কিদম্বি স্রিকান্থ ৫শুবা সিদেদ মালেসিয়াগী লি চোং ৱৈগী মখূত্তা ষ্ট্রেট গেম অনীদা মায়থিহৌখি।

অহানবা গেম মালেসিয়াগী লি চোং ৱৈনা য়াম্না কোম্না ২১–১২ দা থোইদুনা ইন্দিয়াগী শান্নরোই কিদম্বি স্রিকান্থপু গেম অমা হেন্দুনা চংখি। অনীশুবা গেম অদুদা ইন্দিয়াগী স্রিকান্থগী মায়কৈদগী লম্বা খরা পীবা ঙমখ্রবসু মালেসিয়াগী লি চোং ৱৈনা ২১–১৫ দা থোইদুনা সেমি ফাইনেলদা ৭শুবা সিদেদ শান্নরোই চাইনিজ তাইপৈগী চৌ টিয়েন চেনবু ২১–৫, ২১–১৩ দা থোইরম্বা জপানগী কেন্টো মোমোটাগা শান্নরগনি।

## ইন্দিয়াগী বোক্সর নিটু, মানিসা অমসুং লালিতা এসিয়ান য়ুঠ বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপকী ফাইনেল মায় পাক্তুনা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখ্রে

*বেঙকোক, এপ্রিল ২৭ঃ*

থাইলেন্দগী কোনুং বেঙকোক্তা পাঙথোকপা এসিয়ান য়ুঠ চেম্পিয়ন্সিপকী ফাইনেল বাউটতা মায়পাক্তুনা ইন্দিয়াগী বোক্সর নিটু ঘঙগাস,মনিসা অমসুং ললিতা মখোয়–মখোয়গী ফাইনেল লম্বা অদু মায়থিবা পীদুনা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখ্রে।



এসিয়ান য়ুঠ বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী নুপীগী কেজি ৪৮গী কাংলুপ্তা ইন্দিয়াগী বোক্সর নিটু ঘাঙগাসনা মহাক্কী ফাইনেল লম্বা অদুদা থাইলেন্দগী টুর্নামেন্ট অদুদা গোল্ড মেডল ফংগনি হায়না য়াম্না থাজনরম্বা নিলাদা মীকোনবু মায়থিবা পীদুনা ইন্দিয়া টিমগী অহানবা গোল্ড মেডল অদু লৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী বোক্সর মনিসানা নুপীগী কেজি ৬৪গী কাংলুপ্তকী ফাইনেল বাউটতা টাজিকিস্থানগী বোক্সর ইদিমোখ খোলোভাবু য়াম্না নক্লবা লম্বা অমদা পোইন্ট ৩–২দা মায়পাক্তুনা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি।

থাইলেন্দগী কোনুং বেঙকোক্তা পাঙথোক্লিবা এসিয়ান য়ুঠ বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপকী নুপীগী কেজি ৬৯গী ফাইনেল বাউট অদুদা ইন্দিয়াগী বোক্সর ললিটানা মহাক্কী লম্বা ওইখিবা বোক্সর কজাকিস্থানগী বোক্সর বৈসেবায়েভা মায়িয়াবু মায়থিবা পীদুনা গোল্ড মেডল ফঙবা ঙমখিনি।

মহাক্কা ফাইনেল রাউন্দ অদুদা টাজিকস্থানগী বোক্সর অদুবু য়াম্না নিংথিনা হিরম খুদিংমক্তা হেন্দুনা মকোক ওইবা ঙমখিবনি।

বেঙ্কোক্তা পাঙথোক্লিবা এসিয়ান য়ুঠ বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ অদুদা ইন্দিয়াগী নুপাগী বোক্সরশিংগী মনুংদা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবা অমত্তা ঙাইরবা বোক্সর অনকিট থাইলেন্দগী বোক্সর অটিচাই ফোমসাপনা মায়থিবা পীদুনা সিলভর মেডল ফংহৌখি।

লোয়ননা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা বোক্সর অনামিকা মহাক্কী ফাইনেল বাউট্টা কজাকিস্থানগী বোক্সর ঝানসয়া এবদ্রাইমোভাগী মখূত্তা মায়থিদুনা সিলভর মেডল ফংহৌখি।

য়ুঠ ওলিম্পিক্সকী ক্বালিফাই ওইনবগীদমক শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী বোক্সর অমত্তা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখিদবদগী আর্জেন্টিনাগী কোনুং বিনোস আইরেসতা পাঙথোক্কদৌরিবা য়ুঠ ওলিম্পিক গেমসতা ইন্দিয়াগী নুপীগী বোক্সর অমত্তা শরুক য়াবা ঙমলোইদৌরি।

## য়ুরোপা লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী সেমি ফাইনেলগী অহানবা লেগকী মেটচশিংদা আর্সনেল অমসুং এটলেটিকো মাদ্রিদ দ্রো চংখ্রে, মার্সিয়েলনা সালজবর্গ থোইখ্রে

*লন্দন। ফ্রান্স, এপ্রিল ২৭ঃ*

য়ুরোপকী ফুটবোল শান্নবা লৈবাকশিংগী ক্লবশিংগী ওইবা অনীশুবা থাক্তা লৈরিবা য়ুরোপা লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেলগী অহানবা লেগকী মেটচশিংদা ইংলেন্দগী ক্লব আর্সনেল অমসুং স্পেনগী ক্লব এটলেটিকো মাদ্রিদ পাঞ্জল ১–১ দা দ্রো চংখ্রে। ফ্রান্সকী ক্লব মার্সিয়েলনা ওষ্ট্রিয়াগী ক্লব সালজবর্গপু পাঞ্জল ২–০দা মায়থিবা পীখ্রে।

আর্সনেল অমসুং এটলেটিকো মাদ্রিদনা শান্নখিবা মেটচ অদু য়াম্না লম্বা মান্নখিবদগী অহানবা হাল্ফকী অপীবা মতম অদুদা টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লোইশিনখি। অহানবা হাল্ফকী ১০শুবা মিনটতা এটলেটিকো মাদ্রিদকী শান্নরোই সিমে ভরসালজকো রেফরিনা রেদ কার্দ উত্তুনা মখা তাবা মেটচ য়াওহন্দনা তাম্থোকখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপা শান্নবগী ৬১শুবা মিনটতা শান্নরোই অমা ৱাৎলবা এটলেটিকো মাদ্রিদকী মায়কৈদা বোল হেন্না পুশিন্দুনা এটেক তৌবা হেন্দুনা টিম অদুগী শান্নরোই আলেজান্দ্রি লাকাজেটনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মাঙজিল থাবা হৌখি।

এটলেটিকো মাদ্রিদকী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল হন্দোক্লবা হোৎনদুনা আর্সনেলগী মায়োক্তা এটেক তৌবা লেপখিদে। শান্নবগী ৮২শুবা মিনটতা টিম অদুগী শান্নরোই এন্টোইন গ্রিজমাননা ইক্বেলাইজর অদু চল্লবা মতুং মেটচকী অপীবা মতম লোইশিনখিবদগী য়ুরোপা লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী সেমি ফাইনেলগী অহানবা লেগকী মেটচ অদু টিম অনীমক পাঞ্জল ১–১ দা দ্রো চংখি।

লীগ অসিগী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা সেমি ফাইনেলগী অহানবা লেগকী মেটচতা ফ্রান্সকী ক্লব মার্সিয়েল অমসুং ওষ্ট্রিয়াগী ক্লব সালজবর্গ লম্বা তৌনবদা মার্সিয়েলনা ২–০ দা মায়থিবা পীখি।

শান্নবগী ১৫শুবা মিনটতা মার্সিয়েলগী শান্নরোই ফ্লোরিয়ান থাওভিননা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মাঙজিল থারবা মতুং অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিনখি। অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা অদুদা সালজবর্গকী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা লৈরিঙৈ মার্সিয়েলগী শান্নরোইশিংনা ৯০শুবা মিনটতা চত্থরকখিবা এটেক অমদা কোষ্টেটিনোস মিট্রোগ্লৌনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ২–০ দা মায় পাকখি।

## ফিফা ৱার্ল্ড কপ ২০১৮, রুসিয়া
## টিমশিংগী প্রোফাইল –১৯–২০ (দেনমার্ক অমসুং ক্রোএসিয়া)


### এল. কালা, উরিপোক


ঙাইজরকপা নুমিৎ মশীং অসুম অসুম ককথরক্তুনা য়েংজনিংবা ফুটবোল শান্নবা কুচু কুমেন খেন্নবা মীওইবগী মপোক, ধর্ম্ম জাৎ খেন্নবা মীওইবগী মচৎ, কুচু খেন্নবগুম নাকল অনী ১১–১১ না খেন্নবা মচুগী ফুরিৎ লিৎতুনা ধর্ম্ম জাৎ খেন্নবগী ওইবা তোঙান–তোঙানবা মচৎতা হিংলকপগী জ্ঞান লৌশিং খেন্নবা মাগী মাগী ১১–১১ না খেন্ননা অঙম্বা শক্তি ফুদোক্তুনা মতম খুদিং তাইবঙপানসিদা শান্তি পাওজেল খুদুম চেৎনা পায়দুনা য়েক্লবা লৈতনা লেপ্পিবা ফিফা ৱার্ল্ড কপ লোয়ননা মীচং মীখায় নাইদনা পাওজেলনা থম্মোই খুদিং য়ৈহল্লিবা ঙম্বা হাইনিং ঙাই লৈতনা য়েংবগী পেনবা নাইদনা ফজরবা ফুটবোল মশান্না শান্নবগী মতম ঙাইবদা ৱারবা রুশিয়াগী থোংজাও খরা খরা লেঙনা তপ্পা তপ্পা নুমিৎকী মশেক্লা য়ৈবদা সনা অহিংবা মচুগুম ফুগাইনা শাৎকাইরকপা লৈরাংগুম মপুং ফানা মকা ফন্না মনিং তৌনা শান্নবনা শান্নবগী শান্নরোইশিংনা, য়েংজনিংবা ভাবক্লা য়েংগদবগী ঙাইজরকপা জুং ১৪, ২০১৮ গী নুমিৎ পুংফম মাঙদা নুমিৎ খরনিদা ঙাইরক্লে। মীওইবগী পূন্সি অৱাবা কয়া থেংনবগী মনুং দা ৱাদি ৱাদবা য়াম্না ৱাবদি ঙাইবমুক ৱাবা অনী শুরম্লোই ৱাখল পূক্লিং খোইরাংবা। তপ্পা তপ্পা চঙশিল্লকপা ৱার্ল্ড কপনা নকশিল্লকপনা সনালৈবাক পাওচেদা ঐগী থাংজসু নং হৌররোই খন্না প্রোফাইল ইবা লৈবাক অনী অনী শেমদুনা ইবগী মতাং থোক্লে। অহোংবা মচৎকী তাইবংপানসিদা মতাং মতম্না হোংলকপা হায়বদুদা তারে অশাংবা অমা খংতেন তেনশিন্না। রুশিয়াগীনা খূৎলাম তোইনা খৎতুনা লাক্লো লাক্লো হায়না নুংশিনা কৌবদা শোয়দনা লাক্লগনি মাঙজৌননা পাওজেল পীখ্রবা ৩১গী মনুংদা দেনমার্ক অমসুং ক্রোএসিয়াসু পোৎয়োম য়োমদুনা খোঙ থাংবগী তঞ্জা নকশিল্লক্লে খঙনা শেম্বা শাবা লোইরে হঞ্জিন হঞ্জিন মখোয়না তৌগদবা পাঙথোক্কদবা মথৌগী মতাংদা নৈনবা খন্নবা। খঙই ৩২ লোইনমক্লা ফিফা ৱার্ল্ড কপ, ২০১৮ মপু ওইবা ঙম্নবা শান্নবা তরাই তরাইবা নৎতে।

দেনমার্ক ইন্দিয়াগী ষ্টেট অমনসু হেন্না চাওবা দেনমার্ক লমদমসিদা পোকপা মচাশিং তশেংনা ফিভম মুর্টি চাও শাংবা ওই। কোনুং কোপেনহেগেন, লমগী পাকচাওবা–৪৩,০৭৪ স্কৱার কিলোমিটর শেনয়েক–দেনিস ক্রোনে, কোষ্ট লাইন–৭৩১৪, কিলোমিটর, মীশিংনা ৫,৫৬৯,০৭৭ (২০১৫ দা ফোঙবা) বিলো পোভরটি লাইন্না ১৩.৪পার্সেন্ট, লোলনা দেনিস, ধর্ম্মনা ইভানজেলিকেল লুথেরেন–৯৫ পার্সেন্ট, লাইরিক হৈবগী তাংনা ৯৯ পার্সেন্ট, মীপুম খুদিংমক লাইরিক হৈব হায়বা য়াই। নেদমার্ক ১০শুবা সেঞ্চুরি অদুৱাইদগী য়ুনিফাইদ ষ্টেট অমা ওইনা লৈরকপনা ১৮৪৯ দগী কনষ্টিট্যুসনেল মোনারকী লৈবাক ওইরকখি। য়ুরোপকী অৱাংথংবদা নোর্থ সি অমসুং বাল্টিক সি অনীনা কোইশিনবা লৈবাক্লি।

দেনমার্ক ফুটবোল এসোসিয়েসন ১৮ মে ১৮৮৯, চহী ১২৮ মমাঙদা লিংখৎখ্রে। হৌজিক হৌজিক ফিফা রেঙ্কিং ১২ শুবদা লৈরিবা দেনমার্ক ফুটবোল এসোসিয়েসননা মীমাঙ থোক্লা অহানবা ইন্টরনেসনেল মেটচ শান্নবদি ইংলেন্দদা ১৯ ওক্তোবর ১৯০৮ দা আয়রলেন্দবু ৯–০ দা থোইখিবসিনা দেনমার্কতা রেকোর্দ ওইনা লৈরি। ১৯৮৬ তা অহানবা ওইনা ক্বালিফাই ওইদুনা ফিফা ৱার্ল্ড কপ শান্নবগী নুংঙাইবা মশক খঙখি। গ্রুপ ‘সি’ দা তাদুনা অহানবা মেটচতা সাউদি অরাবিয়াবু ১–০ দা থোইখি। সাউথ অফ্রিকাগা ১–১ দা দ্রো চন্নদুনা দ্রো চংখি। অরোইবা মেটচ ফ্রান্সনা ২–১ দা থোইদুনা গ্রুপ ‘সি’ দা মকোক তাখি। অদুগা দেনমার্কনা পোইন্ট ৪ ফংদুনা অনীশুবা তাদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা ব্রাজিলগী মখূত্তা ৩–২ দা পোবসিনা ৱার্ল্ড কপ য়াওবদা খ্বাইদগী ফবা রিজল্ট ওইরি। ফিফা ৱার্ল্ড কপ ৪ রক য়াওবা ফংদুনা লাক্লবসু মপুং ফাবা মহাও খঙদনা লাকপসিদা ৫রকশুবা ওইনা রুশিয়া ২০১৮ য়াওবা ফংবগী মঙফাওনবদি ১৫। ১১। ২০১৭, নুমিৎসিদা অমুক মঙফাওনদুনা হেদ কোচ এগে হেরেদেনা লুচিংদুনা ফিফা রেঙ্কিংদা ১৯৯৭ তা অহুমশুবা তাখিবা অদু হঞ্জিনবা ঙম্নবা হোৎনদুনা লাক্লি, য়েংসি।

ক্রোএসিয়াঃ কোনুং–জাগ্রেব

করেন্সি(পৈশা)ঃ কুনা

এরিয়াঃ৫৬,৫৩৮, স্কৱার কিলোমিটর

কোষ্ট লাইনঃ ৫৮৩৫ কিলোমিটর

মীশিংঃ ৪,৪৭০,৫৩৪ (২০১৫)

বিলো পোভরটিঃ ২১.১ পার্সেন্ট

লোলঃ খৃষ্টিয়ান (৯২.৬ পার্সেন্ট)

লাইরিক হৈবগী চাংঃ ৯৮.৮ পার্সেন্ট

নিংতম্বা নুমিৎঃ ২৫ জুন ১৯৯১

পার্লিয়ামেন্টরি দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক্লি। মেদেটোরিয়ান সিনা নাকল অমা ওইবা য়ুগোসলাভিয়া, হঙ্গেরি, স্লোভেনিয়ানা কোইশিনবা লৈবাক্লি।

ক্রোএসিয়া ফিফা এফিলেশন ১৬ জুলাই ১৯৪১ দা ইন্দিপেন্দেন্ট ষ্টেট ওইনা তৌরবগী মতুংদা অমুক ৩ জুলাই ১৯৯২ দা ক্রোএসিয়ান ফুটবোল ফেদরেশন ওইনা অমুক তৌখি। হৌজিক হৌজিক ফিফা রেঙ্কিং দা ১৮শুবদা লৈরিবা পৃথিবীগী বোল হৈবা লৈবাকশিংগী মনুং চল্লিবা ক্রোএসিয়াগী ফুটবোল ইতিহাসতা কাওঙমদবা ৱারী অমদি ১৯৯৮ মমাঙদা ফিফা রেঙ্কিং ১২৫ দা লৈরম্বা লৈবাকসি ১৯৯৮ ৱার্ল্ড কপ ক্বালিফাই ওইদুনা অহানবা য়াওবদা ৩শুবা পোজিসন তাদুনা চহীসিদা মোষ্ট ভেলুএবল টিম ওইদুনা ১২৫ দগী হাইগৎলক্তুনা ফিফা রেঙ্কিংদা ৩শুবা মফম কনবা ঙমখি। হন্দক ২০১৮ রুশিয়া অসিদা হেদ কোচ জলাটকো দালিকনা করম্বা মিত্রং তৌদুনা ক্রোএসিয়া সেমি ফাইনেল য়ৌরকপা হায়বদু য়েংনবা মাঙজৌননা শেন্নবা করম তৌনা শান্নবগে হায়বদু য়েংসি। ৱার্ল্ড কপ ২০১৮, রুশিয়া টিকেৎ ফংনবা হোৎনবদা ইরাই লাইনা গ্রিসপু ৪–১ দা মায়থিবা পীখিবদা য়াওবা শান্নরোই অয়াম্বনা ক্রোএসিয়া মহুৎ শিন্দুনা শান্নগদৌরিবনি।

## গ্রিসকী ষ্টেফানোস সিসিপাসনা ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়েম মায়খিবা পীদুনা বার্সেলোনা ওপনগী সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রে, স্পেনগী কারেনো বুষ্টাসু সেমি ফাইনেল চঙখ্রে

*মাদ্রিদ, এপ্রিল ২৭ঃ*

স্পেনগী সিটি মাদ্রিদতা চত্থরিবা বার্সেলোনা ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা গ্রিসকী শান্নরোই ষ্টেফানোস সিসিপাসনা টুর্নামেন্ট অসিগী ৩শুবা সিদেদ ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়েমবু মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে। স্পেনগী পাব্লো কারেনো বুষ্টাসু মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেলগী লম্বা ২শুবা সিদেদ বলগেরিয়াগী গ্রিগোর দিমিত্রোভ মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রে।



*বার্সেলোনা ওপন টেন্নিসকী নুপাগী সিঙ্গলসকী সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রবা ষ্টেফানোস*

গ্রিসকী ষ্টেফানোস সিসিপাস অমসুং ৩শুবা সিদেদ ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়েমনা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা সেট ষ্টেফানোসনা থিয়েমগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৩ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

সেট অমা মাঙজিল থারবা গ্রিসকী ষ্টেফানোস সিসিপাসকী মায়কৈদগী অনীশুবা সেট অদুনা হেন্না ফজনা শান্নরক্তুনা এক্সপরিয়েন্স লৈরবা ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়েমগী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ৬–২ দা থোইদুনা বার্সেলোনা ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

গ্রিসকী ষ্টেফানোস সিসিপাসনা মহাক্কী সেমি ফাইনেলদা ৫শুবা সিদেদ শান্নরোই স্পেনগী পাব্লো কারেনো বুষ্টাগা লম্বা তৌনরগনি।

স্পেনগী পাব্লো কারেনো বুষ্টানা ঙসি শান্নখিবা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সিদেদ বলগেরিয়াগী গ্রিগোর দিমিত্রোভপু ষ্ট্রেট সেট অনীদা মায়থিবা পীরমখি।

অহানবা সেট বুষ্টানা দিমিত্রোভকী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৩ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা সেট অদুদা শান্নরেই অনীগী মায়কৈদগী য়াম্না কন্না লম্বা তৌনরকখিবা মরম্না সেট অদু টাই ব্রেক য়ৌরকখি। টাই ব্রেক অদুদা স্পেনগী পাব্লো কারেনো বুষ্টানা ৭–৬(৭–৪) দা থোইদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

বার্সেলোনা ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসকী ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচতা পাকিস্থানগী কুরেসি অমসুং নেদরলেন্দসকী জেজে রোজরনা চিলিগী এন জেরি অমসুং আর্জেন্টিনাগী গুইদো পেলাবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা থেংনরবা মতুং ৭–৬(৭–৫), ৩–৬, ১০–৭ দা থোইদুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ারিবা মালেমগী নুপাগী সিঙ্গলসকী নম্বর ৱান শান্নরোই ওইরিবা স্পেনগা শান্নরোই রাফেল নদালনা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ শান্নবগা স্লোভাকিয়াগী শান্নরোই মার্টিন ক্লিজানবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬–০, ৭–৫দা মায়থিবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী সেমিফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

রাফেল নদালনা টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল য়ৌনবগীদমক সেমিফাইনেলদা বেলজিয়মগী দেবিদ গোফিন অমসুং স্পেনগী অতোপ্পা শান্নরোই রোবার্টো বোটিষ্টা আগুট অনীগী অথোইবগী লম্বা তৌনগদৌরিবনি।

ডবলসকী কাংলুপ্তা ইটালিগী ফেলিসিয়ানো লোপেজ অমসুং মার্ক লোপেজনা মখোয়গী লম্বা ওষ্ট্রিয়াগী ওলিভর মরাক অমসুং ক্রোএসিয়াগী মাটে পাবিস লাক্তবদগী ৱাক ওভর ফংদুনা সেমিফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।